অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

# হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা ঐখোয় অসি কনানো, লৈবাক অসি করম্না শেন্নকখিবনো খঙহনবা মতম য়ৌরে : চীফ মিনিষ্টর

## ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



‘মণিপুর পুলিসকী লৈরিবা বট্টালিয়ন খূদিংমক্তা শগোল ১০/১০ লোইনবা শেনফম বজেটতা হাপ্লে’

ইম্ফাল,নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এম্পা)না শীন্দুনা অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপ ঙসি কংলাগী মনুং কাংজৈবুংদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হন্দ্রেহুন্দুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসননা চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ২০-১০দা অহানবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবদা, হৌগৎলক্লিবা ঐখোয়গী মীরোল অসিদা ঐখোয় অসি কনানো, করম্বা কাঙলূপনো, ঐখোয় করম্না হৌরকপনো, লৈবাক অসি করম্না শেন্নকপনো, পাল্লকখিবনো অমদি ইপা-ইপুগী ঈখেঙ কয়া কখোক্তুনা লৈবাক অসি ঙাক্লকখিবনো হায়বা খঙহনবগী মতম য়ৌরে হায়খি।

ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা অরিবা লনশিং অমুক নৌনা হিঙ্গৎহন্দুনা হৌরক্লিবা মীরোলদা ঐখোয়সি কনানো হায়বসি শক্তাকচনবা পায়খৎপা খোঙথাংনি। সগোল কাংজৈদগী হৌজিক্কী মোদর্ন পোলো অসি হৌদোরকখিবনি হায়বা পুৱারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি। ঙসিগী সগোল কাংজৈ হৌদোকপা অসিগীসু অচৌবা ৱাহন্থোক লৈ। লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বা লমদম অসিদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা ঙাকথোক্লবা থল্লম্বা সগোল লান্মী হায়বা ৱাহৈ অসিসু মীরমদগী অৱাইবা লোল নত্তে। বৃটিশতগী ঐখোয়না তম্বা নত্তে, ঐখোয়দগী বৃটিশনা তমখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ঐখোয় অমত্তা ওইনা ইচিল-ইনাও ওইনা লৈমিন্নরকপা অসিদা অমনা অমবু খূদুম চন্নবা হোৎনরকপগী মমি তারিবা অমদি থবক হৌরকপদগী লৈবাক অসি পূনশিনবা ঙমদনা ইচাই চাইনা লৈরি। লৈঙাক অসিনদি পূম্নমকপু পূনশিন্নবা ঙসি ফাওবা হোৎনদুনা লাক্লি।

হন্দক্কী নুমিৎ ১০নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা ইন্দিজিনস গেমসকী কম্পিটিসন কয়া অমসু মীয়াম্না উবা ফংগনি। সগোল লমজেল অমদি অরাম্বাইনচিংবা পাঙথোক্লবগী হৈঙাংদা শেম শাবা লোইরে। ঐখোয়গী পোনিশিংবু ঙাকপী শেনবীনবগী ৱাখল্লোনদা মণিপুর পুলিসকী লৈরিবা বট্টালিয়ন খূদিংমক্তা সগোল ১০/১০ লোইনবগী শেনফম বজেটতা হাপ্লে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবদা, চীফ মিনিষ্টরনা সগোল কাংজৈবু অমুক হন্না হিঙ্গৎহনগনি হোৎনরিবা অসিমুক নুংঙাইবা লৈত্রে। মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা চহী খূদিংগী অসিগুম্বা কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপা মথৌ তাই অমদি সগোল হিংহন্দুনা মালেমদা মোদর্ন পোলো পুথোক্লিবা মণিপুর অসি নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ ঙান্দুনা লৈহৌবা ওইরসনু হায়খি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপকী অহৌবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসননা চীঙ্খৈহুনবা পোলো এসোসিএসনবু পাঞ্জল ২০-১০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লাইফ্রাকপম কোকেশ্বর, ওক্রম রোজর, থাংজম বসন্ত, লোইতাম তোলোংখোম্বা অমদি থৌদাম মোমোচানা ৩/৩, থোকচোম জেকোবনা ২ অদুগা উমেশ গুরুং, মোংবিজম বিলম অমদি থৌনাওজম প্রেমকুমারনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

চীঙ্খৈহুনবগী গোলশিং অদুনা থৌদাম সন্তোশনা ২ অদুগা ঐচ প্রিতম, এম প্রেমানন্দ, টি ওসান্তা, এন সদানন্দ, কে রিভাল্ডো, টি ঐচ মনিসনা, এন জেল অমদি টি ঐচ জে ঙ্সননা অমমম্ চনখি।

মেটচ অসিদা কে এস ঐচ জয়কুমারনা কাংবুরেল , ঈ লেম্বনা হন্ত্রে হুনবা, ও চিংলেনসনানা মতম য়েংবা অমদি এম হোমেননা পাঞ্জল ইবা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ভেটরান নুপী পোলো প্লেয়র তেকচমদগী হুইদ্রোম অচৌবীদা লুপালিশিং ৫০গী শেলগী মনা পীদুনা ইকায় খুম্নখি। অতোপ্পা নুপা ভেটরান পোলো প্লেয়র ১৮সু লিশিং ১০/১০ পীদুনা ইকায় খুম্নখি। ভেটরান প্লেয়রশিং অদুদি কে এস ঐচ তোম্বী, মোহমদ ফৈসউদ্দিন, এম দি তোম্বা, সলাম কুমার, সলাম ইনাওচা, অখাম চাওনুসনা, গুরুময়ুম রাজেন্দ্রো, লুক্রাম সত্রমনি, থোংগ্রাম বিরচন্দ্র, এম দি অব্দুল হাসিম, থোকচোম কোমোল, এলাংবম লেম্বা মৈতে, সিনাম নবা, মৈস্নাম খেলেন্দ্রো, ওইনাম নিংথেমজাও, লোইতাম গোকুলো, হিজম তেম্বা অমদি য়ুম্নাম জিলানি।

হৌদোকপগী থৌরমদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, সিনিয়র সিভিল অমদি পুলিসকী ওফিসলশিং, একাদেমিসিয়নশিং, অম্পাগী মেম্বরশিং অমদি মীওই কয়া অমসু শরুক য়াখি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# অল রিহলাসু ৱর্ল্ড কপকী অফাওবা বোলশিংগী মতুং ইল্লক্লি



নোংমা খক্তা ঙাইরে, ঙাইবগী খ্বাইদগী ৱাবা মতম লোইশিল্লক্লে মীয়াম পূন্না য়েংমিন্নবা ফংলগনি

ৱর্ল্ড কপকী পুৱারী শেন্নকপা হৌরকপা কুমজা ১৯৩০দগী হৌদুনা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম অনীনা ফাইনেল মেটচ শান্ননবা মখোয়-মখোয়গী বোলশিং পুরক্তুনা লাকপদগী কুমজা ১৯৭০ মেক্সিকো ৱর্ল্ড কপদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবদা এদিদাসনা টুর্নামেন্ট খূদিংগী বোল পীদুনা লাক্লি। ৱর্ল্ড কপকী ফাওরবা বোলশিংগী তুংইন্নরকপা ওইনা ‘অল রিহলা’সু ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২গী ওফিসল মেটচ বোল ওইগদৌরি।

অরাবিক লোলদা খোঙচৎ (দি জর্নি) হায়না ৱাহন্থোক পীরিবা বোল অসিনা ৱর্ল্ড কপকী টুর্নামেন্টশিংদা শীজিন্নখিবা বোলশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী নৌবা মচু মমেন কয়াগী ৱারী শীংবুলনা শেম্বা ফুটবোল ওইরি।

থা অসিগী ২০দগী হৌগদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২ অসিদা হায় ক্বালিটি ওফিসল মেটচ বোল শীজিন্নদুনা শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইরবা টেলেন্টশিং উথোক্লগদৌরি।



এদিদাসনা ফিফা ৱর্ল্ড কপকীদমক ১৪রক শুবা ওইনা পুথোরক্লিবা বোল অল রিহলা অসিনা মমাংগী টুর্নামেন্টশিংদা শীজিন্নখিবা বোলশিংদগী হেন্না য়াঙনা পাইবা ঙম্বা বোল ওইগদৌরি।

অরাবিক লোলদা খোঙচৎ হায়না ৱাহন্থোক পীরিবা বোল অসিগী ষ্ট্রাইকিং ওইবা অমদি মচু মমেন কয়া য়াওরিবা অসি কটারগী কলচর, আর্কিটেকচর, আইকোনিক বোটশিং অমদি ফিরালদা য়ূম্ফম ওইরগা এদিদাসনা প্রেমিয়র ইভেন্ট অসিগীদমক শেম্বনি।

বোল অসি গেম স্পিদ হেনগৎপদা মতেং পাংনবা দিজাইন তৌবদা নৎতনা অহেনবা সষ্টেনেবিলিটি লৈনবা ৱাটর বেজ ইঙ্ক অমদি গ্লুশিং শীজিন্নদুনা পুথোকপনি। বোল অসিগী মনুংদা সী আর টি কোর অমদি স্পীদ সেল ফিচরশিং য়াওরি।

ৱর্ল্ড কপকী টুর্নামেন্টশিংদা হৌজিক ফাওবদা শীজিন্নখিবা বোলশিং অদুদি উরুগুৱে ১৯৩০দা ‘টিএন্টো’, ইটলি ১৯৩৪দা ‘ফেদরেলি’, ফ্রান্স ১৯৩৮দা ‘এল্লেন’, ব্রাজিল ১৯৫০দা ‘দুপ্লো টি’, স্বিটজরলেন্দ ১৯৫৪দা ‘স্বিস ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন’, স্বিদেন ১৯৫৮দা ‘টোপ ষ্টার’, চিলি ১৯৬২দা ‘ক্রেক’, ইংলেন্দ ১৯৬৬তা ‘চেলেঞ্জ ৪-ষ্টার’, মেক্সিকো ১৯৭০দা ‘টেলষ্টার’, ৱেষ্ট জর্মনি ১৯৭৪দা ‘টেলষ্টার দুরলাষ্ট’, অর্জেন্টিনা ১৯৭৮দা ‘টেঙ্গো’, স্পেন ১৯৮২দা ‘টেঙ্গো এস্পানা’, মেক্সিকো ১৯৮৬তা ‘এষ্টেকা’, ইটলি ১৯৯০দা ‘এট্রুস্কো উনিকো’, য়ু এস এ ১৯৯৪দা ‘কেষ্ট্রা’, ফ্রান্স ১৯৯৮দা ‘ট্রাই কলর’, কোরিয়া-জপান ২০০২দা ‘ফেভরনোভা’, জর্মনি ২০০৬তা ‘টিমজেস’, সাউথ অফ্রিকা ২০১০দা ‘জবুলানি’, ব্রাজিল ২০১৪দা ‘ব্রাজুকা’ অমদি রসিয়া ২০১৮দা ‘টেলষ্টার ১৮’নি।

অমরোমদা, কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট হৌগদবা নুমিৎ নীনি ৱাংলিঙৈ অসিদা ৱর্ল্ড কপ ওর্গনাইজরনা ষ্টেদিয়ম ৮গী মনুংদা বিয়র অমদি অলকোহোল য়োনবা থিংলগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। নন-অলকোহোলিক বিয়রগী ওইনা মেটচ ৬৪ মক্তা ফেনশিংদা ফংহনগনি।

বদৱাইজরগী পেরেন্ট কম্পেনি অমা ওইরিবা এ বি ইনবেভনা মখোয়গী বিয়র য়োন্নবা ৱর্ল্ড কপ খূদিংগী দোল্লর মিলিয়ন ১০ পীদুনা লাকপনি। কম্পেনি অসি কুমজা ১৯৮৬তগী হৌদুনা ফিফাগা কম্পেনি পার্টনরশিপ ওইরকখিবনি।

# হিরো আই লীগ : নেরোকানা সুদেভা দেল্লী এফ সী থোইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস): এ আই এফ এফনা শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নেরোকাগী অনীশুবা হোম মেটচতা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নেরোকানা হৌজিক ফাওবদা মেটচ ২ শান্নবদা মেটচ ১ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা টেবলগী ৬শুবা মফমদা লৈরি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফতা জোর্দেন রোনাল্ডো ফ্লেটচরনা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা নেরোকাগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি। গোল হন্দোক্লবা সুদেভা এফ সীগী জপানিজ কোচ অটসুসি নাকামুরানা ষ্ট্রেটেজি হোংদোক্তুনা ষ্টেটকী প্লেয়র কোংব্রাইলাটপম মঞ্জিৎপু শান্নবগী ৮১ শুবা মিনটতা সবষ্টিট্যুট চঙহনখি। অদুবু অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী নেরোকাগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা নেরোকাগী দেভিদ সিম্বো, নোংঙানবা অকোইজম অমদি পোইরৈ অঙানবা মৈতে অদুগা সুদেভাগী কোসুকে য়ামাজাকি, দেনিএল নিকোলাস অমদি অকবর খান য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মণিপুর ষ্টেট লীগ

# কে আই ৱাই সীনা দি এম রাও মায়থীবা পীখ্রে, ক্লাসা অমদি মণিপুর পুলিস দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ক্লাসা কৈনৌ অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

ক্লাসাগী গোল অদুনা সোরাইসম ধনচন্দ্রনা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা পুলিস টিমগী গোল অদুনা ঙমখোহেন কিপজেননা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অমরোমদা, খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিইরিল মপালনা দি এম রাও অৱাং সেকমাইবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে আই ৱাই সীগী মায় পাকখিবা গোলশিং অদু সোমিসোন সিরক, কোঞ্জেংবম জিম অমদি ঙাংবম নাওচানা শান্নবগী ২৭, ৩৩ অমদি ৮১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি চোংথাম সেমসননা দি এম রাওগী পেবম লিন্থোইঙানববু শান্নবগী ৮১ শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো অদুনা শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা বূক তৌখিবনি।

HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)

SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary

Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)

Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)

Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

# সর্জুবালা কলম্বোগী প্রো বোক্সিং শোদা শরুক য়ারগনি



ইম্ফাল,নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস): ইন্দিয়াগী দেকোরেটেদ পজিলিষ্ট শমজেৎশাবম সর্জুবালানা থা অসিগী ২৬তগী হৌদুনা কলম্বোদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রো বোক্সিং শোদা শরুক য়ারগনি।

২০১৪ আইবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট অমদি য়ুঠ ৱর্ল্ড বোক্সিংগী হান্নগী গোল্ড মেদলিষ্ট সর্জুবালানা থাইলেন্দগী বোক্সর খোনচিটি খুনয়াগা রাউন্দ ৪ শান্নগদবা ফ্লাই ৱেথ কন্টেষ্টতা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ওলিম্পিকস্তা শরুক য়াখিবী অমদি চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদগী প্রোফেসনেল বোক্সিংদা খোঙদারকখিবী সর্জুবালানা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা দুবাইদা পাঙথোকখিবা মহাক্কী অহানবা প্রোফেসনেল বোক্সিংদা টাঞ্জানিয়াগী লুলু কয়াগেবু য়ুনানিমস দিসিজনদা মায়থীবা পীরমখিবনি। মহাক হৌজিক ইন্টরনেসনল মেটচমেকর রোশন নাথানিয়নগা ফাইট মেনেজমেন্ট কন্ট্রেক্ট সাইন তৌখ্রে।

# শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস): হন্দক্তা মেঘলায়ানা য়ূম্ফু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অনীশুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা হৈরোক এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ঐচ এ য়ু)গী সিলভর মেদলিষ্ট লাইশ্রম মঙালসনা, ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ঙান্থোই, কে ঐচ অঞ্জনা অমদি কে ঐচ রেনেদি অদুগা বিহারনা য়ূম্ফু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইষ্ট জোন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদলিষ্ট এলাংবম গুংমচা ঙসি হৈরোক কৈথেলদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।





HL-B/7893/13




HL-P/4575/1-30/11

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 633

**Judit Polgar (2670) - Viswanathan Anand (2770)**
**Hoogovens Wijk aan Zee NED (6), 1998.01.22**

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 a6 6.Be3 e5 7.Nf3 Be7 8.Bc4 O-O 9.O-O Be6 10.Qe2 b5 11.Bb3 Bxb3 12.axb3 Nbd7 13.Rfd1 Qc7 14.Bg5 Rfc8 15.Ne1 Qb7 16.Bxf6 Nxf6 17.Nd5 Nxd5 18.Rxd5 Rc5 19.Rad1 Rxd5 20.Rxd5 Rc8 21.c3 b4 22.c4 g6 23.g3 Rc5 24.Rd1 a5 25.Nc2 Kg7 26.Qd3 Rc6 27.Ne3 Qc8 28.Kg2 Qe6 29.Qe2 Bd8 30.Nd5 Rc5 31.Qe3 Be7 32.Rd3 Bd8 33.Qd2 Rc6 34.Qd1 Kg8 35.h4 Kg7 36.h5 Bg5 37.Qf3 Rc8 38.Rd1 Rc6 39.Qe2 Rc8 40.Rh1 Kg8 41.f3 Rb8 42.Qf2 Rb7 43.hxg6 fxg6 44.c5 dxc5 45.Qxc5 Bd8 46.Rc1 Kf7 47.Qe3 Kg7 48.Rc4 Rd7 49.Qc1 h5 50.Rc6 Rd6 51.Rc8 Qd7 52.Qc5 Kh6 53.Rb8 Bf6 54.Qe3+ Bg5 55.f4 exf4
56. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 632 Ans. :**
26. Qc4+ The white queen attacks Black's king, which is defending Black's rook. Kh8 27. Nf7+ The white knight moves out of the pin by Black's rook against White's rook. The white knight deflects Black's rook away from protecting the 8th rank. Opening the line from d8 to h8. Rfxf7 28. Qxf7 The white queen deflects Black's rook away from protecting the queen. Opening the line from d1 to d8. Rxf7 29. Rxd8+ The white rook captures Black's queen, which was defending the square e8. Nxd8 30. Re8+ Rf8 31. Rxf8# Back-rank mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com